# জষ্টিস এস এ বোবদেনা ইন্দিয়াগী ৪৭ লকশুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি): জষ্টিস সরদ অর্বিন্দ বোবদে ঙসি ন্যু দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী ৪৭লকশুবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

জষ্টিস এস এ বোবদেনা হান্নগী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা রঞ্জন গোগোইগী মহুৎ শিল্লকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাশক লৌবদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা শীনখি। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর আমিট শাহসু শরুক য়াখি।

বোবদেনা ঙসিদগী চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী থৌ পুরবা মতুং থা ১৭ কী ওইবা থবক্কী মতম ফংলি। মহাক কুমজা ২০২১ গী এপ্রিল ২৩ দা থবক্তগী পোত্থাগদৌরিবনি।

চীফ জষ্টিস বোবদে মহারাষ্ট্রাগী নাগপুর সিটিদা কুমজা ১৯৫৬ কী এপ্রিল ২৪ দা পোকখি। মহাক নাগপুর য়ুনিভর্সিটিদগী বেচলর আর্ট অমসুং এল এল বি দিগ্রী ফংখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৭৮ দা মহারাষ্ট্রাগী বার কাউন্সীলদা এদভোকেট ওইনা মিং চনখি। মহাক্না বোম্বে হায় কোর্টকী নাগপুর বেঞ্চতা লো প্রক্টিস তৌখি। মহাক সুপ্রীম কোর্টতা চহী ২১ হেন্না থবক তৌরবা মতুং কুমজা ১৯৯৮ তা সিনিয়র এদভোকেটকী থাক য়ৌখি।

কুমজা ২০০০ দা বোম্বে হায় কোর্টকী এদিসনল জজ ওইনা খনখিবগা লোয়ননা মদুগী মতুং কুমজা ২০১২ কী ওক্টোবর ১৬ তা মধ্য প্রদেশ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইখি। কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিল ১২ দা সরদ আর্বিন্দ বোবদে সুপ্রীম কোর্টকী জজ ওইনা থৌ পুখি। মহাক্না সুপ্রীম কোর্টতা জজ ওইনা লৈরিঙৈদা মরুওইবা কেস কয়াগী জজমেন্ট পীবা য়াওখি। জজ মঙাগী বেঞ্চ অমনা হন্দক্তা অযোধ্যা রাম জন্মভুমি বাব্রি মসজিদ লম য়েৎনবগী অরোইবা ৱারেপ পীবদা য়াওদুনা মফম অদুদা রাম টেম্পল শাবগী অয়াবা পীখি।

কুমজা ২০১৭ দা জষ্টিস বোবদেনা মতম অদুগী চীফ জষ্টিস ওইরম্বা জে এস খেহরনা লুচিংবা জজ ৯ গী বেঞ্চ অমনা রাইট টু প্রাইভেসি হায়বসি কনষ্টিট্যুসন্না ঙাক শেল্লিবা ইন্দিয়াগী ফন্দামেন্টেল রাইট অমনি হায়না রাই তাখি। মহাক্না হান্নগী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইকী মথক্তা সুপ্রীম কোর্টকী ষ্টাফ অমনা সেক্সুএল হরাসমেন্টকী মতাংদা তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অদু অরানবনি। রঞ্জন গোগোই করিগুম্বা মখল অমত্তদা চেন্নদে হায়বা ৱারেপ পীবদা য়াওখি। থৌ পুবগা ঙসি বোবদেনা ভুতান সুপ্রীম কোর্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র জজ ওইরিবা জষ্টিস কোইনলে সেরিংগা উনদুনা ৱারী শাখি।

# জে এন য়ুগী মহৈরোয়শিং সেন্টরগী ওফিসলগা উনরগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি): দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংগী য়ুনিয়ন্না সেন্টরগী ওফিসলশিংগা উনদুনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী থোক্লিবা ঈরাং অদু লোইশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

জে এন য়ুগী মহৈরোয়শিংনা হোষ্টেলগী রুমশিংগী মমল অদু হেনগৎলকপদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। মমাঙগী চয়োলদা য়ুনিভর্সিটি অদুদা দবল রুমদা লুপা ১০ হেনগৎতুনা লুপা ৩০০ য়ৌহনখি। অদুগা সিঙ্গল রুমদা লুপা ২০ হেনগৎলগা থাদা লুপা ৬০০ য়ৌহনখি। লোয়ননা রিফনদেবল ওইবা মেচ দিপোজিট অদু লুপা ৫৫০০ ওইরম্বদগী লুপা ১২,০০০ দা হেনগৎখিবনি।

য়ুনিভর্সিটি অদুগী মহৈরোয়শিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈরাং থোক্লক্তুনা পুলিসকা খুৎ থোক্নবা য়াওখি। মদুদগী হেন্দোরক্তুনা মহৈরোয়শিংনা পার্লিয়ামেন্ট তম্না স্লোগান লাউদুনা অমদি প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা ফি হেনগৎপা য়ারোই হায়না প্রোটেষ্ট চঙশিল্লুবদা পুলিসনা সাউথ দিল্লিগী সবদর্জং তুমদা বেরিকেদ থমদুনা মখা তানা খোঙজং অদু চঙশিনহনখিদে।

সেন্টর লৈঙাক্কী হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি জি সী হোসুরগা মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিংগা অদুগা উনগনি। মদুনা মরম ওইরগা ঙসি মহৈরোয়শিংগী প্রোটেষ্ট অদু হন্দোক্তুনা কেম্পসতা য়ৌনখি হায়রি। প্রোটেষ্টকী মরক্তা জে এন য়ুগী মহৈরোয় ৫০ হেনবা দিল্লি পুলিসনা ফাজিল্লুরবা মতুং অমুক থাদোকখি হায়রি।

সেন্টরন জে এন য়ুগী ঈরাং অদু মখা তানা লৈতনবগীদমক্তা মীওই ৩না শাবা পেনেল অমা শেমখি। এদ্যুকেসন সেক্রেটরি আর সুব্রমনিয়মনা মীওই ৩ না শাবা হায়র পাৱর কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি। হান্নগী য়ু জি সী (য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন)গী চ্যেরমেন ওইরম্বা ভি এস চৌহান, এ আই সী টি ঈগী চ্যেরমেন অনিল সাহশ্রাবুদে অমসুং য়ু জি সীগী সেক্রেটরি রজনিস জেনসু য়াওখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী চয়োলদা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী এন্যুএল কনভোকেসন তৌফম অদুদা থৌরম য়াওবা লাকখিবা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর রামেশ পোখ্রিয়াল মহৈরোয়শিংগী প্রোটেষ্ট অদুনা মহাক কেম্প অদুদগী পুং ৬ লোম হেন্না থোকপা ঙমদনা লৈখি হায়রি।

# 'কুমজা ২০২৫ ফাওবদা ইন্দিয়ানা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিবু য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ২৬ য়ৌহনগনি'



বেঙ্কোক, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি থাইলেন্দ কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা 'ইন্দিয়া রাইজিং কনফরেন্স' থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি অসি য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ২৬ য়ৌহনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাজনাথনা মখা তারদুনা কুমজা ২০১৮ দা শেমখিবা দ ড্রাফ্ট দিফেন্স পোলিসীগী মতুংইন্না লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মীরমদা দিফেন্সকী পোৎলমশিং এক্সপোর্ট তৌবদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৫গী টার্গেট থল্লি হায়খি। মীরমদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা তাঙবগী থবক অদু হন্থহন্দুনা লৈবাক অসিদা পুথোকচবা দিফেন্সকী পোত্থোকশিংনা মরোমদোম লেপচবা অমদি অতোপ্পা লৈবাক্তা খুৎলায়শিং অদু য়োনবগী খোঙজং অসি চঙশিল্লক্লিবনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০১৮-১৯ গী জেনরেল বজেটতা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দষ্ট্রিগা য়াম্না চুংশিন্নবা দিফেন্স প্রদক্ট পোলিসীশিং শেমখিবনি। মসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পব্লিক সেক্তর, প্রাইভেট সেক্তর অমসুং এম এস এম ঈশিংবু হেন্না পূক্নিং থৌগৎতুনা দিফেন্সকী পোৎলমশিং পুথোক্কদৌরিবনি।

লৈঙাক অসিগী মখাদা 'মেক ইন ইন্দিয়া' হায়বা খোঙজং অসিগী মখাদা দিফেন্স সেক্তর অসি য়াম্না মরুওইবা সেক্তর অমা ওইরি। মসিনা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ইকনমি য়ু এস দোল্লর ট্রিলিয়ন ৫ য়ৌনবগী পান্দম অদুদা মতেং পীগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৪-২০১৮ ফাওবদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খুৎলায় লৈশিনবদা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। থৌরম অদুদা রাজনাথনা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াদা প্রাইভেট সেক্তরগী মায়কৈদগী য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩ ওইগদবা দিফেন্সকী আইটেমশিং শাবা ঙল্লি হায়খি। লৈঙাক্না কুমজা ২০১৯-২০ গী বজেটতা দিফেন্সকী ওইনা থমখিবা শরুক অদু য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৬০ রোমনি। লৈবাক অসিগী দোমেষ্টিক প্রাইভেট সেক্তর কম্পেনিশিংনা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৩ লোম ওইগদবা দিফেন্সকী আইটেমশিং পুথোকপা ঙল্লি। ড্রাফ্ট দিফেন্স প্রদক্সন পোলিসী ২০১৮ না ইন্দিয়ানা পুথোকচবা দিফেন্সকী পোৎলমশিং অদু কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ৫ টার্গেট থল্লি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ২ অসিদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স এক্সপোর্ট অসি শরুক ৬ হেনগৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

# সেনাগী এম পিশিং ওপোজিসনবেঞ্চতা মফম পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি): পার্লিয়ামেন্টতা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভা অনীমক্তা শিব সেনাগী মেম্বর পার্লিয়ামেন্টশিং হান্না লৈঙাক শেম্বা য়াওমিন্নরম্বা অদু মহারাষ্ট্রাদা কোংগ্রেস অমসুং এন সী পিগা চুংশিন্নদুনা বি জে পিগী মায়োক্তা লৈখিবদগী ওপোজিসনগী বেঞ্চতা মখোয়গী ফম্ফম পীখ্রে। মরক অসিদা য়ুনিয়ন কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরদা য়াওরম্বা শিব সেনাগী আর্বিন্দ সৱান্ট মিনিষ্টর ফমদগী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা রিজাইন তৌখ্রবনি। শিব সেনাগী এম পিশিং এন দি এগী মীফমদসু য়াওখিদে।


## ꯇꯣꯝꯊꯤꯟꯅꯡꯒꯟꯕ/TOMTHINNGANBA ENTERPRISES PVT. LTD.

GHARI AWANG LEIKAI, IMPHAL WEST - 795001
# 8974820830

We are hiring the following staff. Interested person can submit their resume to Tomthinnganba Enterprises Pvt. Ltd.

| | |
|---|---|
| Sales Executives - 4 (Four) | 10+2 or Graduate in any Stream |
| Driver Cum Salesman - 4 (Four) | 10+2 with valid driving licence |
| Technician - 4 (Four) | 10+2 with equivalent qualification |

Age : 25 to 30 years.
Salary : Negotiable
Last date of resume submission : 25th November 2019
Date of interview 27th November 2019

**Sd/- M. Lokendro Singh**
Managing Director
Tomthinnganba Enterprise Pvt. Ltd.
HL-P/5312/19


## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 1509/SDC/NBL of 2019**
1. Langpoklakpam Nganthoi Singh S/o (L) L. Rajmohon Singh of Langpok Maning Leikai. (Share area 0.245 acre)
2. Langpoklakpam Indrani Devi W/o L. Dhanachandra Singh of -do- (Share area 0.105 acre) *-Petitioners*

-Vrs-

1. (L) Langpoklakpam Rajmohon Singh S/o (L) Thoiba Singh of Langpok.
2) Langpoklakpam Deben Singh S/o (L) Dhananjoy Singh of Sangaiprou Mamang Leikai. *-O.Ps.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 18/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 8 - Kakyai Langpok Patta No. 91 (Old), 958/1134 (New), Dag No. 105/667, Area 0.41 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং (১) অমসুং (২) অসিগী মনুংদা পাট্টাদার নং (১) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি নং (১) অমসুং (২) না মাগী মাগী মথক্তা পল্লিবা শরুকশিং অসিগী মৃতু পাট্টাদার নং (১) গী শরুক্তগী মখোয়গী মীশিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/5327/19 — *Sd/- Sub-Deputy Collector, Nambol*


ꯑꯍꯥꯡꯕ ADMISSION OPEN ꯍꯧꯔꯦ

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

.HL-B/4529/25oct.to23nov


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref :- Mut. Case No.1032/SDC/M 14/11/2019**

Shri Khwairakpam Premjit Singh S/o Kh. Ibungo Singh of Thanga Oinam Leikai.

-Vs-

(Late) Heisnam Rabei Singh S/o (L) Chaoba Singh of Chandpur

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Moirang, the 18th Nov. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না Late ওইখ্রবা পাট্টাদার Village No. 54-Kha Thinungei (Manipur) দা লৈবা পাট্টা নং ৮৫১ (Manipur), সী এস দাগকী নং ১০২৯, এরিয়া ১.৪৫ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী মীং ওনবীরো হায়না থারকখিবা দরখাষ্ট Mut case No. 1032/SDC/M, 14/11/19 অদু ঙসি তাং ১৮/১১/২০১৯ অসিদা হন্দোকচরগে হায়না দরখাষ্টকারি মশানা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মখা কেস চত্থগদবা অদু কেস মখা চত্থররোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না পাউচে অসিদা খঙহঞ্জরি।

HL-P/5329/19 — *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Moirang


**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োন চোংথোরকপা অদুগুম্না থিনদোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হেক হাম্লুরগা অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা চংগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা চিল্লক্কনি খনবদা, খোঙ হামদনবা চাকসু য়াম্না চাদবা, অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তিলহৌ ময়োন চোংথোরকপা অদুগুম্না তিলহৌ ময়োনমুক চাউবা অমা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা থিনদোরক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা হেন্না হাকৎচবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু মথকলোমদা হাইগৎলগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, কময়া অনীমক নাবা, খোঙ হান্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, কোক চিকপা অমদি ঙাওবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ মহাক্কী লায়েংসিগী মায় পাকপগী মনা ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5060/19 — *থাগৎচরিবা :* **H. Indira Meitei,** Moirang



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ কবিরাজ ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি

ঐ পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লাকখি। লায়ওংশিংদি - খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শৌজদা চাথৎপগা লোয়ননা শাবা অমদি থুপ্পা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হান্বা লোইরগা শৌজ তারকপা, খূৎনা ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খ্বাং নাবা অসিনচিংবনি। অদুবু কবিরাজ ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা পাইলস মপূং ফানা ফজরে। অৱাবা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

HL-P/5090/19 — *থাগৎচরিবা :* **O. Haricharandra**, Kakwa


## MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

(3RD FLOOR, NEW DIRECTORATE BUILDING, NEAR 2ND MR GATE. IMPHAL-DIMAPUR ROAD, IMPHAL, MANIPUR–795001, INDIA)

### মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, ৮/১১/২০১৯ ইং

No. 3/2015/MSPDCL-COM/RAID/ : মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেট (এম. এস. পি. দি. সি. এল.) না কঞ্জুমরশিংদা নুমিৎ চুপ্পা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক মীয়ামদগী রিভেন্যু মতম চানা খোমগৎপগা লোয়ননা নিয়মগী ৱাংমদা মৈ কোৎপা, মিটরদা মৈ চঙহন্দনা শীজিন্নবা অমদি মিটরগী খোঙজেল তপথহনবনচিংবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনরি। রিভেন্যু চপচানা খোমগৎপা ঙমদবনা কম্পেনিদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লুহল্লি।

ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৩৫ গী মতুং ইন্না মৈ হুরানবা হায়বসি খুদক্তা ফাবা পুনবা য়াবগী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি। লোয়ননা জেলদা চহি অহুম ফাদোক তাবা, ফাইন থিবা নৎত্রে হায়রগা অনিমক ফংবসু য়াই। মসিগী মথক্তা ফাগৎলবা মরাল লৈরবা কঞ্জুমরশিং অদুগী মিং, লৈফমনচিংবশিং অদু পাউ-চে, প্রিন্ট/ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া-নচিংবগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

কম্পেনি অসিনা চাং নাইনা তৌজরিবা থবকশিং অদুদি – রিভেন্যু খোমগৎনবা হোৎনবা, অয়াবা য়াওদনা অমদি নিয়মগী ৱাংমদা মৈ থানবশিং থদৎপা অমদি মৈ কোৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং ফাগৎপনি।

ককখ্রবা মৈ অদু অমুক শমগে হায়রবদি মরি লৈনবা অকক্লবা ওথোরিটিগী অয়াবা চঙই। করিগুম্বা ককখ্রবা মৈ অদু নিয়মগী ৱাংমদা অমুক হন্না শমজিল্লম্বা তারবদি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩, সেক্সন ১৩৫ গী মতুংইন্না চহি ২ (অনি) ফাওবা মৈ পীদবা য়াই।

কম্পেনি অসিনা মীয়ামদা অতৎ অখম লৈতনা মৈ ফঙহন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মতেং পাংবিনবা হায়জরি।

ENERGY IS LIFE
BEE
CONSERVE IT

মৈ মাঙহন্দবা হায়বসি
মৈ পুথোকপগা মান্নে

Sd/-
মেনেজিং দিরেক্টর,
এম এস পি দি সি এল

HL-P/5809/17-22 Nov.


## PIS Brick Field (Mechanised)

From time to time rate changeable



Brick Sample

| Class | Rate(₹) | Bricks | Gari Charge(₹) | Labour(₹) | Total(₹) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 11.90 | 2000 | 2100 | 500 | 26400 |
| 1st | 11.90 | 1500 | 1600 | 400 | 19850 |
| 2nd | 11.40 | 2000 | 2100 | 500 | 25400 |
| 2nd | 11.40 | 1500 | 1600 | 400 | 19100 |
| 1st Rej. | 11.00 | 2000 | 2100 | 500 | 24600 |
| 1st Rej. | 11.00 | 1500 | 1600 | 400 | 18500 |
| Peti | 9.50 | 2000 | 2100 | 500 | 21600 |
| Peti | 9.50 | 1500 | 1600 | 400 | 16250 |
| 3rd | 5.50 | 2000 | 2100 | 500 | 13600 |
| 3rd | 5.50 | 1500 | 1600 | 400 | 10250 |
| Chektek | 5000/-Per 1 load (Tata 407) | | 1600 | 400 | 7000 |

**Contact :9862048579,8787464898**

HL-P/5123/9nov. to 7jan

**Wangjing Saban Chekon Leikei,Near Khongjom War Memorial Complex**



PMKVY
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation

# FREE

4th Phase

3 months certificate course in Self Employed Tailor

Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY) in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.

Admissions Open

Highlight of the Course
- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Incentive in every successfull candidates.
- Many more offers.
- Last day of form submission25/11/2019

Class Commencing on last week of November.

More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre ( TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email: shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com

**Limited seat capacity, Registration Open.**

HL-P/5297/15-24


## BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

**NOTIFICATION**
Imphal, the 18th November, 2019

No. MSTET/11-2/1542: It is hereby informed that all the candidates who successfully uploaded their forms for TET, 2019 can download their admit cards w.e.f. 19-11-2019 from the official website of the Board i.e. tet.bosem.in. Those candidates who uploaded their forms successfully but failed to make payment of the fees should pay the amount of fees by referring their application no. on or before 21st November, 2019 at the given website.

Further, it is also stated that the Pass Certificate will be issued to the candidates who are declared passed in their TET, 2019, subject to the condition on production of their original documents i.e. Mark sheets of Senior Secondary and Graduation, D.El.Ed., B.Ed cleared certificates etc. on or before 24th January 2020. After that a fine of Rs. 1000/- (Rupees one thousand only) will be charged.

**Sd/-** Dr. Chithung Mary Thomas
Secretary

HL-B/5810/19


# CAS COACHING CENTRE

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE

CLASS XII & X

(2019 - 2020)

Classes Commencing from 21st Nov. 2019

Seats are Limited First Come First Served

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2020 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2020 Final Exam.

COHSEM
CBSE
BOSEM

Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch

For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-P/57114/10,11,12,13,14